

# থৌরম লাইরিক

## (অহানবা কাংলুপকী অঙাংশিংগীদমক)

### (থা অহুমগী)

শেমশাদুনা পুথোকচবা

**রাজ্যগী মহৈ থিজিনবা অমসুং শিন্দম্বা পরিষদ, অসম**

মিং ঃ ..............................................................................................

কাংলুপ ঃ ........................................ রোল মশিং ঃ ..............................

মহৈশঙ ঃ ..........................................................................................

অফোংবা

**সমগ্র শিক্ষা, অসম, কাহিলিপারা, গুৱাহাটী-৭৮১০১৯**

# ৱাহৌদোক

য়েলহৌ মহৈ থাক্তা অঙাংশিংগী মবুদ্ধি মরৌশিং, মাইগৈ পুন্নমক চাউখৎপা অমসুং তম্বীবগী হেনদানবদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং পীরি। অঙাংশিংগী হকচাং ফবা, অফবা পুন্সি মরেল, মায়পাক্লা ৱাখল ফাওদোক্লবা, লোনগী ময়েক চৎপা, চৈশিংলোনগী ৱাখল পরিং, অকোয়রোনগী চেকশিনবা অসিনচিংবা অহৌবা মঙমশিং তানশিনবগীদমক হায়রিবা তাংকক অসিদা মপুং ফাবা মগুণ লৈবা শিক্ষা লায়না ফংহনবা হায়বসি তংঙাইফদে। মরম অদুনা রাষ্ট্রগী মহৈ কাংলোন (NEP 2020)-দা অঙাংশিং পুন্নমকপু মপুং ফাবা মহৈ ফংহনবগীদমক মহৈশঙগী অহানবা কাংলুপকী হৌগৎলকপদা প্রি-প্রাইমারী অঙাংশিংগীদমক মথৌ তাবা মরুওইবা মঙমশিং তানশিনহনবদা মরুওইবা পীদুনা থা ৩ গী হায়বদি চয়োল ১২ নিগী নুমিৎ খুদিংগী পুং ৪ তৌদুনা তম্বীনবগী মহৈশঙ শেমশাবা মডিয়ুল মহৈ মশিংগী খোংজং রাষ্ট্রীয় মহৈ মশিং থিজিনবা অমসুং শিন্দম্বা পরিষদ (NCERT) না শেম শাদুনা পুথোকলে। হায়রিবা মহৈশঙ শেমশাবা থৌরম পরেং অসিদা প্রি-প্রাইমারী মহৈশঙগীদমক লেপথোক্লবা তম্বীবগী অৱাৎপাশিং মপুং ফাহনবগীদমক থোং ওইনা অৱাৎপাশিংগী চাং মেনখৎহনগনি। হায়রিবা অঙাংশিং অসিগী চাউখৎনবগীদমক মথৌ তাবা মঙমশিং অৱাৎপা লৈহনদনা হায়বদি অঙাংশিংগী মতুংগী থাক্তা খুদক্কী মঙমশিং লায়না অমসুং য়াংনা তানশিনবদা মতেং ওইহনগনি। মরম অদুনা অহানবা কাংলুপকী হৌরকপদা চেকশিন্না অমসুং থৱাই য়াওবা ওইরবদি অঙাংশিং পুন্নমক্লা মায়পাক্লা তাকপী তম্বীবগী থৌরাংদা অমসুং মহৈশঙগী শিক্ষা থৌরাংদা শরুক য়াবা ঙমগনি। রাষ্ট্রীয়গী মহৈ কাংলোনদা ময়েক শেংনা পীরি অদুদি হৌজিক্কী মতমদা মশীং অয়াম্বা য়েলহৌ মহৈশঙশিং অঙাংশিংগী মরুওইনা য়েলহৌ মহৈগী ময়েক চৎপা অমসুং মশিংগী জ্ঞান তানশিনবদা য়াম্না অরুবা ফীভম অমা ওইদুনা লৈরি। মতমগী ওইনা চাউখৎপা য়াবা থবক থৌরম য়াওহনদুনা মখল মখাগী অকোয়রোনদগী লাকপা অঙাংশিংবু অপুনবগী ওইনা মথৌ তাবা মরুওইবা মঙমশিং তানশিনহনবদা খুদোংচাবা পিরবদি মখোয়গী মাইগৈ পুন্নমক চাউখৎপদা মতেং ওইগনি। 'মহৈ মশিংগী খোংজং' হায়বসি নিপুন ভারতকী জ্ঞানগী ওইবা রাষ্ট্রীয়গী খোংজং অমনি। ভারত সরকারগী অয়াবা মতুংইন্না প্রি-প্রাইমারী শিক্ষাগী হৈশিংলবা অমসুং হৈশিংবা ৱাৎপা অঙাংশিং পুন্নমক্কীদমক হায়রিবা মহৈমশিংগী খোংজংগী মডিয়ুল অসিনা মতেং ওইগনি। হায়রিবা মডিয়ুল অসিদা লমদমগী ওইবা তাকপী তম্বীবগী মচাক শিজিন্নদুনা পারা লানথোক লানশিন তৌরবদি অঙাংশিংগীদমক লেপথোকতুনা থমলিবা মঙমশিং তানশিনহনবদা ওজাশিংগী মতেং ওইগনি। লোয়ননা অঙাংশিং পুন্নমক মহৈশঙদা মিং চলহনবদা, লায়না অমসুং হরাও তয়ামহনবা ঙমগনি। মমা মপা অমসুং খুন্নাইগী অঙাংশিং চাউখৎনবগীদমক পাইখৎপা থৌরাংশিংদা মখোয়বু শরুক য়াহনবসি তংঙাইফদ্রবনি।

মহৈশঙ শেমশাবা মডিয়ুল অসিগা লোয়ননা অহানবা কাংলুপ কারকপা অঙাংশিংগী চাউখৎনবগী পান্দম, মঙম, অমসুং তম্বীবগী মহয়দা মরুওইবা থমদুনা থা অহুমগী (চয়োল ১২) থৌরম পরেং লাইরিক অসি থৌরমকোনগী মতুংইন্না শেম শাদুনা পুথোকচরে। থৌরমকোনদা মখল মখাগী শিক্ষাবিদশিংগী মথক্তা রাজ্যগী মহৈ থিজিনবা অমসুং শিন্দম্বা পরিষদ অসম, অমসুং ডায়েটকী হৈশিংলবা মীওইশিং শরুক য়াখিরম্মী।

হায়রিবা থৌরম পরেং লাইরিক অসিদা শিজিন্নবদা মতিকচাবা অমসুং মগুণ লৈবা হেনগৎহনবগীদমক পুন্নমক্লা পীবীরিকপা মতামত অমসুং পাউতাক্কীদমক খৌরাংনা ঙাইজরি।

(ড° নিরদা দেবী)
ডাইরেক্টর
রাজ্যগী মহৈ থিজিনবা অমসুং শিন্দম্বা পরিষদ, অসম

# ওজা-ওজানীশিংগী মফমদা

অহানবা কাংলুপতা মিং চনশীল্লকপা অঙাংশিংগীমদক লমদমগী ওইবা ফীভম অমসুং মখোয়গী মথৌ তাবা মতুংইন্না থা অহুমগী (চয়োল ১২) 'মহৈশেঙগীদমক শেমশাবা মডিয়ুল' অমা ওজা/ওজানীগীদমক শেম শাদুনা পুথোকচরে। হায়রিবা মডিয়ুল অসিদা মহৈ মশিংগী খোংজংগীদমক থা অহুমগী শান্নবদা তাংজবা মহৈশেঙ শেমগৎ শাগৎপগী পাউতাকশিং (লামায় ১২-৩৫)দা পীরি।

থৌরাং তৌদুনা থবক থৌরম কয়া হাপচিনদুনা মডিয়ুল অসি লানথোক লানশিন, অঙাংশিংগী চাউখৎপা নত্রগা মমল লেপ্পদা মীৎয়েং থম্বা, অঙাংশিং তম্বীবদা মমা মপা অমসুং খুন্নাই শরুক য়াহনবা, চয়োলগী থৌরম পরেং শেম্বা নত্রগা নোংমগী থবক থৌরমদা ওজা অমসুং ঙাকশেল্লিবা মীওইশিংনা করম্না মায়পাক্লা শিজিন্নগনি হায়রিবশিং পুন্নমক অসি হাপচিনদুনা মডিয়ুল অসিদা থৌরাং অমসুং শিন-লাংবগী মরমদা পাউতাকশিং নৈনরি। থৌরাং অমসুং থবক থৌরমশিং লানথোক লানশিন তৌবগীদমক মখাদা পীরিবা মাইংগেশিংদা মীৎয়েং থমবিগনি হায়না ওজা/ওজানিশিংদগী অশা থমজরি—

- চাউখৎপগী পান্দম, মঙম অমসুং তম্বীবগী মহয় (মহৈ মশিংগী খোংজংগী মচাক-১) গী মরুওইবা খংদুনা/ৰাফম পুক্লিংদা থমদুনা থা অহুমগী (চয়োল ১২)গী থৌরাং তৌদুনা পুথোকলে।
- নুমিৎ খুদিংগী অঙাংশিং পুন্নমক্কী চাউখৎনবগীদমক য়ামদ্রবদা পান্দম অহুমগী হৈশিংবা পীবা মথৌ তাগনি।
- মডিয়ুল অসিগী থৌরম পরেংগী লানথোক লানশিনগীদমক নোংমগী অমসুং চয়োলগী মতমগী পরিংগা লোয়ননা থবক থৌরম শেমশাদুনা পীরি। (মহৈমশিংগী খোংজং লামায় ১২-৩৫)
- থৌরম পরেংগী থৌরাং অমসুং শেমশাবদা হায়বদি— ওজা/ওজানীনা হৌদোকপা অমসুং অঙাংশিংনা হৌদোকপা থবক থৌরম, মনুংগী অমদি মপানগী থবক থৌরম, অচৌবা কাংলুপ অমসুং অপিকপা কাংলুপকী থবক থৌরমগী মরক্তা চাং ঙাক্না থমলী অমসুং তম্বীবগী খুদোংচাবা কোমথোক্লবগীদমক ৰারী, খুথেক শাথেক্কী ঈশৈ, অসিনচিংবা হাপচিল্লি।
- হায়রিবা থা অহুমগী মডিয়ুল অসি নিংথিনা পাংথোক্লবগীদমক অঙাংশিংগীদমক মতিক চাবা থৌরম পরেং লাইরিক অমা শেম শাদুনা পুথোকলে।
- মহৈশেঙগীদমক শেমশারিবা মডিয়ুল অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা নিংথিজনা পাদুনা খংজিনবা হোৎনবা তাই অমসুং অঙাংশিংগীদমক শেম শাদুনা পুথোক্লবা থৌরম পরেং লাইরিক অসিগী মথং মনাও নাইবা মতুংইন্না থবক থৌরমশিং অসি পাংথোকহনগনি।
- মডিয়ুল অসি লানথোক লানশিনগীদমক মথৌ তাবা তম্ন-পোৎলমশিংগী মরমদা মমাংদগী থৌরাং তৌদুনা থমগনি। হায়রিবা তম্ন-পোৎলমশিং অদু খরচ চংদবা, খরচ ৰাৎনা চংবা নত্রগা লমদম অদুদা ফংবা মচাক শিজিন্নদুনা অঙাংশিংনা শেম শাদুনা পুথোকপসু য়াই। তম্ন-পোৎলম ওইনা পাম্বীগী মনা, মশা, অপিকপা নুঙ অসিনচিংবা মহৌশাগী লনশিং য়াওহনদুনা থৌরাং তৌগনি।
- লমদমগী ওইনা শেম্বা লাইথী অমসুং মচাকশিং শিজিন্নগনি। অঙাংশিংনা মদুদা মচাকশিং লায়না শিজিন্নবা ঙম্নবা অমসুং শোয়দ ঙামদনা হায়রিবা পোৎশকশিং ফংবা য়াই মদুগীদমক চেকশিনগনি।
- খনগৎলবা থবক থৌরম মতুংইন্না অঙাংশিং পুন্নমক ফমফমগী থৌরাং তৌবিগনি। অঙাংশিংগা লোয়ননা হেন্না পাঙদবা অঙাংশিং পুন্নমক্তা (CWSN) অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা মখোয়গী মতিকচাবা ফমফমগী থৌরাং তৌবিগনি।

- অঙাংশিং পুন্নমক তম্বীবগী থৌরমদা মতম য়াম্না হেন্না শরুক য়াদুনা লৈনবগী খুদোং চাবা পীবগীদমক পান্দমদা তাংজবা থবক থৌরম অমসুং থৌরম লাইরিক অদু হন্না নৈনগনি।
- অঙাংগী পামজবদা তাংজরগা লেপথোক্লবা নোংমগী থবক থৌরমগী মতম পরিং নত্রগা চয়োলগী মতম পরিংগী থবক থৌরমশিংগী মরক্তা হোংদোক হোংজিন নত্রগা মদুবু কোমথোকহনগনি।
- নোংমগী থবক থৌরম খুদিংগী মতম পরিং নাইনা পাংথোক্লবগীদমক পাউতাকশিং ময়েক শেংনা নৈনরি। হায়বদি— উন্নরবদি ইকাই খুম্নবা উৎপা, বৃত্তকার মীফমদা নীংতম্না ৱাখল ফাওদোক্লবা নিংতম্না শান্নবা, মপানথোংগী শান্নবা, কায়নবগী তাংকক, চাবগী পোথাবা, লোনগী ময়েক চৎপা অমসুং মশিংগী জ্ঞানগীদমক থবক থৌরম অসিনচিংবা।
- অঙাংশিংগী চাউখৎপা য়েংশিনবা অমসুং মমল লেপ্লাগী মওংগী ঙমখৈ খংনবা মপুং ফানা থা অহুমগীদমক অঙাং খুদিংমক্কী থাগী ওইনা চাউখৎপগী চাংগী ঙমখৈ (মহৈ মশিংগী খোংজংগী মচাক-২দা পীরি)।
- চাংয়েং তৌবদা অঙাং খুদিংগী মমাং থাক্কী তম্বীবগী চাংসু চাংয়েং তৌদুনা চৎপা তাই।
- অহুমশুবা থাক্কী চাংয়েং মপুং ফারবগী মতুংদা অঙাং খুদিংমক্কী মচাকশিং খোমজিনদুনা থম্বা তাই মসিনা মতুংদা অঙাংশিংগী মতেং ওইগনি। তম্বীবগী হৈশিংবগী থৌরাং তৌবা, মমা মপা নত্রগা ঙাকশেল্লীবা মীওইগা লোয়ননা তাথোক তাশিন তৌবা অমসুং মথৌ তাবা মতুং ইন্না থৌরম পরেং হোংদোক হোংজিন তৌবা অসিনচিংবগী মতাংদা মতেং ওইগনি।

**থৌরম লাইরিক অসিগী মরমদা ৱাফম খরা ঃ**

অহানবা কাংলুপতা মিং চনল্লকপা অঙাংশিংগী চাউখৎনবগী পান্দম, মঙম অমসুং তম্বীবগী মহয়গী মরু ওইবা খংজিনদুনা অমসুং অঙাংশিংগী জ্ঞান তানশিনবগীদমক শেমশাদুনা পুথোকপা থা অহুমগী (চয়োল ১২) থৌরম পরেং লাইরিক অসিদা মথৌ তাবা থবক থৌরম য়াওহনদুন থমলি। মখোয়শিং অদুনা অঙাংশিংগী পুক্নিং চঙবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরী। হায়রিবা থৌরম লাইরিক অসিদা য়াওরিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা লোয়ননা ওজাগী মফমদসু পাউতাক পীরী। আশা থমলি অদুদি ওজানা মখোয়গী পান্দমদা পীরিবা পাউতাকশিং থৱাই হকচাং য়াওনা অঙাংশিং পুন্নমক্কী মাইগৈ পুন্নমক চাউখৎপগী মতাংদা অথোয়বা থৌদাং অমা লৌবা য়াই।

থৌরম লাইরিক্তা য়াওবা থবক থৌরমশিং পাংথোকহনবদা ওজাশিংনা মখাদা পীরিবা মাইগৈশিংদা পুক্নিং ৱাখল থমগনি—

- ☞ ইহান হানবদা অঙাংশিংগী থবক থৌরমগীদমক থৱাই হকচাং য়াওহনবা নুংশিনা কৌবিদুনা মখোয়গা লোয়ননা লৈগনি।
- ☞ থবক থৌরম পাংথোকহনবদা অঙাংশিং পুন্নমক লাইয়েক য়েংদুনা মমিং হায়হনগনি, ঙমদ্রবদি মতেং পাংবিগনি।
- ☞ অথাবা চে লায়না ফংদ্রবদি অরিবা কেলেণ্ডার, কার্ড, খাতা অসিনচিংবগী অঙৌবা শরুক্তা অঙাংশিংবু খোৎ-খোৎতুনা শান্নহনবগীদমক পুক্নিং থৌগৎপীগনি।
- ☞ থবক থৌরম খরগা লোয়ননা মীৎয়েং থমদুনা মশাগী ওইনা অতোপ্পা থবক থৌরম খরা পাংথোকহনবসু য়াগনি। অসিগুম্বা মতাংদা মাংজৌননা থৌরাং তৌবিগনি।
- ☞ খুৎথেক শাথেক্কী ঈশৈ, অমসুং ৱারেং নিংথিজনা পাদুনা খংনবা হোৎনগনি মসিনা অঙাংশিংবু তম্বীবা মতমদা থৌরম লাইরিক অসি য়েংদ্রবসু য়ানবা।
- ☞ ঈশৈশিং খুৎথেক শাথেক্তা কোন্ননা নিংথিজনা শক্কনি অমসুং অঙাংশিংদসু ওজাগী মতৌ তমহনগনি। অঙাং খুদিংমক শরুক য়াহনবগীদমক মীৎয়েং থম্বা তাই।

☞ বিন্দুশিং শমজিন্নহনবগী মতাংদা খুদম তাকতুনা পিরিবা মাইকৈ মতুংইন্না পাংথোকহনগনি অমসুং মথৌ তাবা মতুংইন্না মখুৎ পাইদুনা তম্বীগনি।

☞ মশাগী ওইনা খুদম মওং খরা য়েকতুনা অঙাংশিংদা প্রি-রাইটিংগী হৈশিংবা পিনবা হোৎনগনি।

☞ অপিক অপিকপা ৰাহংগী মতেংনা অঙাংশিং পুন্নমক লায়না ৰারী ৰাতাই শান্নহনদুনা মাংরোমদা পুখৎপিগনি।

☞ অঙাং খুদিংমক্না ৰারী ৰাতাই শান্নবা অদুদা শরুক য়াহনবগী মতাংদা মীৎয়েং থম্বীগনি।

☞ থৌরম লাইরিক্তা পিরিবা লাইয়েকশিংগী মথক্তা অতৈ অতোপ অতোপ্পা লাইয়েক্কী মতেংনা অঙাংশিংবু নিংতম্না ৰারী ৰাতাই শান্নহনগনি।

☞ অঙাংশিংগী পুক্নিংদা ফাওরকপা ৰাহংশিং অথিংবা অপনবা লৈতনা হংহনবগী খুদোংচাবা পিবিগনি।

☞ থৌরম লাইরিক্তা য়াওবা থবক থৌরমশিং পাউতাক্কী মতুং ইন্না পাংথোকহনগনি।

☞ অঙাং খুদিংমক্না পাংথোকপা থবক থৌরমশিংগী নমুনাশিং পোর্টফলিওদা ঙাকশেনদুনা থমগনি।

হেন্না পাঙদবা অঙাংশিংগী মফমদা মীৎয়েং থমদুনা থবক থৌরম পাংথোকহনবদা মতেং শোয়দনমক পাংবিগনি।

মহৈশঙদা মহৈ তম্বা হৌবগী অহৌবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা অঙাংশিংনা মপান ইপান থোকপা অসিনচিংবা শিজিন্নবগী অচুম্বা অমসুং অশেংবা ৰাখল্লোন ফংবা ঙমহনবা হোৎনবীগনি। মপান ইপান থোকচিনবগী হৈনবী শিজিন্নবগী মথক্তা অকোয়রোনগী মরমদা ভাব তাবা অমসুং হৈশিংবা উৎনবগীদমক ৰাফম খরা লাইয়েক্কা কোন্ননা কেলেণ্ডারগী মওংদা য়েকতুনা থেৎতুনা থমগনি, হায়বদি— অশেংবা অরুবা ঈশিং থক্কনি, ঈশিং লেম্না মাংহনলোইদবনি, অমোৎ-অকায়শিং মফম মরাং নাইদনা হুনদোকতুনা মফম চানা থমলিবা ডাষ্টবিনদা থাদগদবনি, মথৌ তাদবদা পাম্বীগী মনা/লৈ নচিংবা থদৎলোইদবনি, চাবগী মমাং অমসুং মতুংদা সাবোননা খুৎ হামগদবনি, শিজিন্নদবা মতমদা নোংথাংমৈ, হুমাই অসিনচিংবা মুৎথৎতুনা থমগদবনি।